Civil Services (Main)
Examination- 2025

**SLPM–D–MNP**

# MANIPURI

## PAPER—II

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাণ্ডলূপ অনীমক (Sections A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাণ্ডলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্লবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরল্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


# MANIPURI

## PAPER—II

( LITERATURE )

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|


**QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS**

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** ꯔাহং খুদিংমক পাউখুম পীগদবনি, মখাগী ꯔাহংশিং অসি ꯔাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) পাছোইবীনা মহাকপু খাবা মরান-য়াইদা থাজবদা মতৌ করম্না য়াখিবগে ইরকউ।

(b) চকপা মখাও ঙন্নীবু ꯋৰাদা থাজখিবগী থৌদোক অসি 'সমসোক ঙন্ন'গী ꯔারী পরিংদা কদায় ফাওবা মরু ওইবগে ইয়ু।

(c) মৈদিংঙু উরা কোম্ছৌবনা লংমাইশিংদা লান্দারিবা করিগীনো? নাউথিংখোং ফম্বাল কাবা লাইরিকসিগী মতুংইন্না তাকলম্মু। 4+6=10

(d) চন্দ্রকীর্ত্তিনা করিগীদমক জিলা চঙলিবনো? খোঙচৎসিদা লৈশং য়াত্রানা করম্না মরুওইবা থৌদাং পাঙথোকখিবগে ইয়ু। 5+5=10

(e) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংবা' লাইরিকতা য়েকলিবা লাইনীংবগী মওং-মতৌ অদু নশাগী লোন্দা মরীক-চুম্না ইয়ু।

**2.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) থৌꯔান থাবা হিরানদা চারৌ-মৌরৌনবা অমদি নুপা-নুপীগী নুংশিনিংঙাই ওইরবা মশক কয়া অকল-অথৌশিংগী শা-লানগী মরকতা য়াওদুনা লৈরি হায়বসি য়ানিংব্রা? শন্দোক্লা নৈনদুনা ইয়ু। 20

(b) নিংথৌ দশরথনা করম্না রামবু মপারী ওইনা ফংজখি? সীতানা রামগী লোয়নবী করম্না ওইরকখিবগে? 'রামায়ণ আদিকাণ্ড'গী মতুংইন্না তাকলম্মু। 3+3+9=15

(c) 'নুমিৎ কাপ্পা'দা কনানা কনাবু শীংনবগে? শীংনরিবা মীশক অদুগী হোৎনবা কনবা অমদি থৌনাগী মতিক-মগুণদু শুগায়না ইরকউ। 5+10=15

**3.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) "লংমাই তেংনা য়িমকাবা ইমোম নঙোন্দা নুয়িনবা অসিবু লাইরেন মৈদিংঙু উরা কোম্ছৌবা মশুংলাংগীবু লৈকাই পুজরুক লাংবন লৌওন লুক্কুম্ববু লনশিংনগে।"
করম্বা লাইরিক্তগী লৌখৎলকপনো? মতাংসিগী ওইবা দৃশ্যদু নশাগীলোন্দা শন্দোক্লা ইরম্মু। 5+15=20

(b) দশরথ অমসুং জটায়ু অনীনা মরূপ ওইরকখিবগী থৌদোকশিংদু মরিক চুম্না ইয়ু। 15

(c) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংব'গী লৈমা ভানু মতৌ-নুংঙনবগী শক্তম (লমচৎ) অসি হিন্দুগী সতীগী ফিভমদা শাগৎখিবনি হায়বসি কদায়ফাওবা চাশিন্নবগে নৈনরকউ। 15

**4.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

(a) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙবা' লাইরিকসিদা ইতিহাস অমসুং ভক্তিগী মচলশিং কয়ামরুম য়াওরি হায়বসি য়ানিংব্রা? নশাগী মোত ফোঙদোকতুনা নৈনরম্মু। 20

(b) "পায়মা নিংশা শঙহোননা য়াইগী শুহনতা, শꯔা হংথোঙ য়াঙলী তৎনা শিশানরাকে।"
অশিবা শাদুনা লৈরিবসি কনানো? করিগীদমক্তনো? তমপা ꯔাংঙম্লোন পাছোইবীনা মতৌ করম্না তৌশিন্নবা অসি খঙখিবগে? মরী লৈনবা মতাংশিংদু ইরকউ। 2+3+10=15

(c) ꯔাংঙম্লোন চীংখৈ থানবীনা ফংলিবা অহকপা চৈরাক অসি করম্বা মরালগীনো? মহাকপু মরাল লৈতবী অমনি হায়না লৌবা য়াত্রা মরীলৈনবা লাইরিক্কী মতুংইন্না নৈনরকউ। 5+10=15

## SECTION—B

**5.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম পীগদবনি, মখাগী ꯔাহংশিং অসি ꯔাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* 'বিশ্বপ্রেম' শৈরেংদা কবিনা বিশ্বপ্রেমবু করম্না মওংগী প্রেম ওইনা শকতাকনিংবগে? মরম পীদুনা ইরম্মু।

*(b)* খম্বা-থোইবী শৈরেংগী করম্না তাংককতা খম্বা অমসুং থোইবী শকখংনখিবগে শমলপ্না ইয়ু।

*(c)* 'জর্জ্জ সাহেবকী ইমুং'দা সমরেন্দ্রনা য়েক্লিবা অরুণাগী চরিত্রবু মপুং-ফানা শন্দোক্না তাকতুনা ইয়ু।

*(d)* দিনমনিনা নোংখোংবগুম কপখিবা অদু করি মরমদগীনো? 'লৌখৎপা' ꯔারীমচা অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা মরিকচুন্না নৈনরম্মু।

*(e)* সংস্কৃতি হায়বসি মী অমগীসু, সমাজ অমসুং জাতিগীসু ওইবা পুন্সি মরেল অদুনি হায়বসি 'সমাজ অমসুং সংস্কৃতি' ꯔারেংদা য়ুম্ফম ওইরগা শন্দোক্না তাকউ।

**6.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* 'নীরব রজনী' শৈরেংদা কমলনা য়েকলিবা প্রকৃতিগী অইংবা অমদি ফজবগী মগুণ থারিবদু শন্দোক্না ইয়ু। 20

*(b)* জি. সি. তোংব্রাগী 'মেত্রিক পাশ' দ্রামানা মতমগী মীওইবা সমাজদা পীনিংলিবা পাউজেল অদু করিনো তাক্লগা শন্দোক্না নৈনরম্মু। 15

*(c)* 'জহেরা' উপন্যাসতা য়েকলিবা নুংশিবগী মশক অদু নশাগী লোন্দা শন্দোক্না ইয়ু। 15

**7.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* 'কংসবধ' কাব্যগী কৃষ্ণ অমসুং কংসগী চরিত্রদা উবা ফংলিবা পাপ অমসুং পুণ্যগী মশক অদু শন্দোক্না ইয়ু। 20

*(b)* খ্বাইরকপম চাউববু মণিপুরী সাহিত্যদা সমালোচক অমগী মতিকচাবা মফম অমা ফংহনখি লৌনরিবা ꯔারেং অদুগী মরমদা করি খণ্ডবগে নৈনৌ। 15

*(c)* 'লমন' উপন্যাসতা উপন্যাসকারনা চীং-তম অনীগী নুংশিচান্নবগী মশক অমা য়াম্না হৈ-শিংনা উৎননবা হোৎনৈ হায়বসিদা নশাগী মিৎয়েং চিংশিনদুনা নৈনরম্মু। 15

**8.** ꯔাহং খুদিংমক্কী পাউখুম খুমগদবনি :

*(a)* 'কমলা, কমলা' হায়রিবা ꯔারীমচাগী পাউজেল করিনো? মসিনা মীওইবা মপোক্কী মরমদা করি খল্হনবা ঙম্বগে হায়বদু নশাগী মীৎয়েংদা ইয়ু। 10+10=20

*(b)* এলাংবম নীলকান্ত রিএলিষ্ট পোইট অমনি হায়বসি মহাক্কী 'মণিপুর' শৈরেংদা মীৎয়েং থল্লগা নৈনরকউ। 15

*(c)* 'মাধবী' উপন্যাসগী করম্না চরিত্রদা উপন্যাসকারনা স্বার্থত্যাগকী মগুণশিংদু হাপ্পুনা য়েকলম্বগে? শন্দোক্না নৈনদুনা তাকলকউ। 15

★★★